হৈরোক এ সীগী লৌমীশিংদা এম এল এ ডা. থোকচোম রাধেশ্যামনা এম এল এগী এগ্রিকলচর নোমিনিগী মখাদা হার য়েন্থোক্লিবা অদুবু হকথেংননা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা পূক্নিংগী ৱারোল মীয়ামদা থমখিবা



সঙ্গীত নাটক একাদেমী ন্যু দেল্লীগী মীৎয়েং মখাদা ঠিএটর ৱিমেন্স এসোসিএসন, হৈরাঙ্গৈইথোং নাওরিয়া পাখংলাকপা লৈকায়না পুথোকপা ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন লোইশিনবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা শক্লাইরবা মীওইশিং




অৱা-অনা তারবশিংবু মতেং পাংনরদুনা অমত্তা ওইনা হিংমিন্নবগী পান্দমদা শেমখিবা ঈ-পাউ তেংবাঙ লূপ মণিপুরগী ৫রকশুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরমদা ক্লাস টুয়েল্বকী এগজামদা থাঙ-তা, মণিপুরী অমদি ম্যুজিক সবজেক্টতা টোপ্পর ওইখ্রবশিংবু ঈকায়খুম্নখিবা




জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বাবুপারাদা লৈবা পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ক জিরিবাম ব্রাঞ্চকী ওফিসতা ব্রাঞ্চ অসিনা শীন্দুনা জিরিবামগী এম এল এ, এম দি অসবউদ্দিননা করেন্সি চেষ্ট হাংদোক্তুনা শঙ্গাখিবগী থৌরম অমদা শরুক য়াখিবশিং




# কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং ৱাংখৎলক্লিবা অসিগী য়েংলগা ভেক্সিন মপুং ফানা কাপথোকপীয়ু : গভর্ণর

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ অমুক হন্না পোজিটিভ ওইবগী চাং ৱাংখৎলক্লিবা অসিগী য়েংলগা ভেক্সিন মপুং ফানা কাপত্রিবা মীওইশিংনা অথুবা মতমদা ভেক্সিন মপুং ফানা কাপথোকপীয়ু হায়না মণিপুরগী গভর্ণর লা গনেসনননা মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা শীন্দুনা ঙরাং শুগুনু চীং-তম কম্যুনিটি হোলদা মণিপুরগী গভর্ণর লা গনেসনগা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এম এল এশিং, দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিং, প্রধানশিং, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং অমদি মীয়ামগা পুন্না ৱারী-ৱাতাই শানবগী থৌরমদা মথক্কী ৱাফম অসি গভর্ণরনা ফোঙদোকখিবনি।

মণিপুরগী গভর্ণর লা গনেসনননা মখা তারদুনা হায়, মণিপুর ষ্টেট অসিদা কোভিদকী লায়না অসি ফীভম ফরুরবা মতুং হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা অমুক হন্না পোজিটিভ ওইবগী চাং ৱাংখৎলক্লিবা অসি ঐখোয়না তরাই তরাইনা লৌবা চুল্লোই। মরম অসিনা মীপুম খূদিংমক্না কোভিদকী ভেক্সিন দোজ ২দগী তাদনা কাপথোক্তুনা লাইচৎ অসি মায়থীবা পীনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লম্বী-থোংগী মতাংদা পল্লদুনা গভর্ণর লা গনেসনননা মখা তারদুনা, ষ্টেট অসিগী লম্বী-থোংগী ফীভম চাদ্রিবা কয়া অসি মহাক্কী মায়কৈদগীসু মণিপুর লৈঙাক, মরী লৈনবা মিনিষ্টরশিংদা পাউতাক পীদুনা অথুবা মতমদা মীয়ামদা নুংঙাইবা লম্বীশিংদা চৎহন্নবা খঙহনখ্রে। মণিপুর লৈঙাক্না লমদম অসিদা পায়খৎলক্লিবা সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিকশিং শীজিন্নবা থিংনবগী থবক অসি মীয়াম্নসু শৌগৎফম থোকই। মসিনা ঐখোয়গী কায়থরক্লিবা অঈং-অশাগী খল (ইনভাইরনমেন্ট)গী শক্তম অসি কনবদা অচৌবা থৌদাং অমসু লৌগদৌরিবনি।

ষ্টেট অসিদা খঙহৌদনা থা খরা অসিদা হৌরক্লিবা, চহী নৌরিবা নহা কয়া ময়াই কাবা চীঙাক শীজিন্নবগী চাং অসি খঙহেন হেনগৎলক্লে হায়বগী রিপোর্ট কয়া থেংনরে। মসিমক লাইবক থীবনি। মখোয়বু অফবা মায়কৈ অমদা পুরকপা ঙম্নবা লৈঙাক্না পায়খৎলিবা ৱার ওন দ্রগকী খোঙজং অসিসু মীয়াম্না মপুং ফানা য়াওশিনবা অমদি মতেং পাংবীবগী মতম ওইরে। মসিনা হৌজিক্কী মতমদা নহা কয়ানা ময়াই কাবা চীঙাক্কী ঈপাক্তা লুপলক্লিবা অসিদগী শোয়দনা কনবা ঙমগনি। মরম অসিনা চীংদা পোপ্পী থাবা য়াওনা ময়াই কাবা চীঙাক্তা মরী লৈনবা থবক খূদিংমক লেপ্তুনা চাউখৎপা মণিপুর অমা পুরক্নবা মীয়াম্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নসি হায়না মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিনখি।

থৌরম অদুদা হিয়াংলম এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ডা. ৱাই রাধেশ্যাম; শুগুনু এ সীগী এম এল এ, কে রঞ্জিৎ অমদি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা সী এস ও কয়াগী লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি। লোয়ননা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী সী এস ও অমদি শুগুনুগী লূপ কয়ানা গভর্ণরদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাং কয়াগী মেমোরেন্দমশিং পীশিনখি।

# আই সী দি এস ওফিস মমাঙদা এপোইন্টমেন্ট ওর্দর চৎনহনবীয়ু হায়না ৱাকৎ মীফম চখ্খ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): আই সী দি এস প্রোজেক্ট ককচিংগী মখাদা লৈবা এসেমব্লী কন্সটিট্যুন্সি মরিগী মনুংদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা খুলশিংদা মথৌ তৌনবা নৌনা খনখিবা অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমদি হেল্পরশিংগী এপোইন্টমেন্ট ওর্দর চৎনহন্দনা থল্লিবা অসি খুদক্তা হন্দোকপীয়ু হায়না নৌনা খনখিবা অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমদি হেল্পরশিংনা ৱাকৎ মীফম অমা ঙসি আই সী দি এস ওফিস মমাঙদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদু ফম্বা হৌরকপদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী পল্লেলগী ও সীনা লুচিংবা টিম অমনা ৱাকৎ মীফম অদু মখা তানা ফমহনখিদে। আই সী দি এস প্রোজেক্ট ওফিস মমাঙদা ফমখিবা ৱাকৎ মীফম অদু এসোসিএসন ওফ অঙ্গনৱাদি ৱার্কর এন্দ হেল্পর, আই সী দি এস প্রোজেক্ট ককচিংনা শীন্দুনা চখ্খিবা ৱাকৎ মীফমনি। ৱাকৎ মীফম অদুগা মরী লৈননা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট মেলোদি কৈশামনা ফোঙদোকখিবদা, আই সী দি এস প্রোজেক্ট ককচিংগী মখাদা নৌনা অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমদি হেল্পর ৪৩ লৌনবা দি পি সী অসি কুমজা ২০২১গী ওক্টোবরদা পাঙথোকখি। দি পি সী অসিগী রিজল্টনা চৎলিবা চহী অসিগী হৌখিবা জন্যুৱারী ৫দা লাউথোক্তুনা হেল্পর অমদি ৱার্করশিং অসি জোইন্ট তৌদুনা থবক তৌবা হৌখি। অদুবু চহী অসিগী মে থা লোইরকপদা মখোয়বু খনবগী ওর্দর জন্যুৱারী ৫ থোকখিবা ওর্দর অসি কীপ ইন এভিয়েন্সতা থম্বগী ওর্দর অমা জন্যুৱারী ৬তা থোক্লে হায়দুনা পুথোরকখি। মরম অসিনা অসিগুম্বা ওর্দর অসি খুদক্তা হন্দোকপীদুনা অঙ্গনৱাদি ৱার্কর এন্দ হেল্পর ওইবগী চপ চাবা মথৌ অথুবদা থবক তৌহন্নবা হোৎনবীয়ু।

হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা সোসল ৱেলফেয়র, মিনিষ্টর অমদি মণিপুর লৈঙাকপু লুচিংবীরিবা সী এম, এন বিরেনগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি। লোয়ননা নৌনা খনখ্রবা অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমদি হেল্পর ৪৩গী ফংফম থোকপা রাইটশিং ফংহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। ঙসি আই সী দি এস প্রোজেক্ট ওফিস মমাঙদা এপোইন্টমেন্ট ওর্দর চৎনহনবীয়ু হায়না ফমখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিং অমদি হেল্পরশিংনা শরুক য়াখি। অদুবু ৱাকৎ মীফম অদু পুলিসনা থিংবদগী মখা তানা চখ্খবা ঙমখিদবনি।

# এৱার্দ পীরগনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): একাদেমীক সেসন ২০২১-২২গী বোর্দ অমসুং কাউন্সীলনা লৌবা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বকী এগজামদা মার্ক চাদা ৭৫দগী তাদনা ফংবা মাইবম কোঞ্জিন য়াওনা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী মনুংদা লৈবা মহৈরোয়শিং অমদি এ সী অসিগী মনুংদা লাইরিক তমদুনা এগজাম থাবা মহৈরোয়শিংনা এৱার্দ লৌনবগীদমক্তা মার্কসিটকা লোয়ননা চৎলিবা থা অসিগী ২৮ ফাওবগী মনুংদা এপ্লিকেসন থাজিনবীরকপা য়াগনি হায়না একাদেমীক ইন্সেন্টিভ এৱার্দ কম্মিটিগী সেক্রেটরি চোংথাম অশোককুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এপ্লিকেসন থাজিল্লকপা মতমদা পাসপোর্ট ফোটো অমা, লৈফম, গার্জিয়ানগী মিংগা লোয়ননা কন্টেক্ট নম্বর য়াওনা থাজিনবীরক্কদবনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট খুমুকচম রঞ্জিৎ নৎত্রগা সেক্রেটরি চোংথাম অশোকুমার ময়াং ইম্ফাল বজারদগী খঙবীবা য়াগনি। লোয়ননা ৯৮৬২০৯২০০৯ অমদি ৮৭৮৭৪৫৪৯৮৩ দগীসু অকুপ্পা মরোল খঙবীবা য়াগনি হায়রি।

# ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন লোইশিল্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী কলচরেল ফঙ্কসন গ্রান্টকী তেংবাঙ মখাদা য়োয়াই ট্রেদিসনল কলচরেল সেন্টর ককৱা লিলান্দো লম্পাক্লা চহী অসিগী হৌখিবা জুন ১১দগী হৌদুনা থা অমা চুপ্পা চথরকপা লাই হরাওবা জগোয়গী ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন প্রোগ্রাম লোইশিনবগী থৌরম জুলাই ১০, নোংমাইজিং নুমীৎকী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা নিঙোমথোং সাইরোম লৈরক্কী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না ৱাই টি সী সীগী সেক্রেটরি এন ইন্দিরানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): গ্রীন কেন ফাউন্দেসন ট্রষ্টনা শীন্দুনা খাইরম্বন্দ কৈথেলদা নোংমগী শুজ-নোমজরিবা শিন্মীশিং অমদি ইমা-ইবেলশিংগী মফমদা চান-থক্নবা পোৎলম কয়া ঙসি খুদোল তমখ্রে হায়রি। থা খূদিংগী অরোইবা থাংজ নুমীৎতা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎতুনা গ্রীন কেন ফাউন্দেসন ট্রষ্টকী মায়কৈদগী মতেং পাংবগী থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। গ্রীন কেন ইন্দষ্ট্রিজকী ফাউন্দর জষ্টিন লাইশ্রমগী লীচিং মখাদা লিংখৎপা গ্রীন কেন ফাউন্দেসন ট্রষ্টনা শীন্দুনা থা খূদিংগী অৱা-অনা তারবা অমদি শুজ-নোমজরিবা মীওইশিংদা মখল মখা কয়াগী মতেং পাংবগী থবক থৌরমশিং চখ্খগদবনি হায়রি।

# য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): ইদ উল অধানা লাকপদা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা মৈতৈ পাঙল ইচিল-ইনাওশিংদা য়াইফ পাউজেল পীজরি হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)গী সেক্রেটরি জেনরেল বিক্রমজিৎ থোঙামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম (জে সী আই এল পি এস) মণিপুরনা শীন্দুনা জুলাই ৮দা অৱা চীংদা পাঙথোকখিবা তরেৎলকশুবা লমজিং মৈরা নীংশিং থৌরম অমসুং হৌজিক মণিপুর চৎনরিবা আই এল পি সিষ্টমগী মতাংদা মণিপুর মীয়ামগী খন্ন-নৈনবা মীফম পাঙথোকখিবা অদুদা ইরমদম অসিগী পুকচেল চাউরবা চাউরবীশিংনা শেলগী মতেং, পোৎ-চৈগী মতেং অমদি ৱাখল লৌশিংগী মতেং পাংবীরকখিবা খ্বাই পুন্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না জে সী আই এল পি এসকী কো-কনভিনর ৱারেপম সেকেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম মপুং ফানবা হোৎনবদা ইরমদম অসিগী সী এস ওগী লুচিংবীশিং, মৈরা পায়বী ইমাশিং, ক্লবকী মীহুৎশিং অমদি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা ওজাশিং অমদি মহৈরোয় পুন্নমকপুসু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা থৌরম মপুং ফানবা হোৎনবদা শৈহৌ ঈশৈ অমদি শৈরোই ঈশৈ শকখিবা আর্টিষ্টশিং অমদি মেদিকেল এন্দ ফর্ষ্ট এইদ তেংবাঙখিবা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি অমসুং সাইনা ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস য়াওনা সাউন্দগী মতেং পাংবীরকখিবা ওল মণিপুর সাউন্দ সর্ভিস এসোসিএসন্নচিংবসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

# 'কৈবুল লমজাওগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়াম্বু মণিপুর গভর্ণমেন্টনা নুংশিফম থোক্তবরা'

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): মালেমদা শক তাক্লিবা সঙাইবু ঙাক শেন্দুনা ঙসি ফাওবা হিংলিবা কৈবুল লমজাওগী অকোয়বদা লৈরিবা মীচম মীয়াম্বু মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি মণিপুর মীয়াম্না নুংশিফম থোক্তবরা হায়না দিমান্দ কম্মিটি ওন দ কন্সত্রক্সন ওফ ইথনিক কলচরেল হেরিটেজ পার্ক কৈবুল লমজাওগী প্রসিদেন্ট এন রনবিরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

সঙাই কন্নবা ঙাক শেনবা অসি ঙসি ওইরিবা কে এল এন পিবু ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা লৌ পরি ১০০/১০০ কথোক্তুনা ঙসি ফাওবা লাক্লি। অদুগা অমুকসু খুলগী মনিং থংবা শরুক্তা লৈবা তকমু পাৎপু ফিশরি দিপার্টমেন্টনা লৌশিনখিবা, নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা কৈবুল চীংবু রিজর্ভ ফোরেষ্ট এন্দ ৱাইল্ডলাইফ সেঙ্কচ্যুরি লাউথোরকপা অদুগা খা থংবা শরুক্তা লৈরম্বা লৌ পরি ৪৫০গী মথক্তা ইথাই বরাজনা মণিপুর মীয়ামদা মৈ পীনবনি হায়না লৌশিনখিবা অসিনচিংবা ময়াম অসিদগী মায়কৈ অসোমগী মীয়াম্না চহী চা কয়া খাঙদুনা লাকখ্রবসু নোংমদি শোয়দনা মণিপুর লৈঙাক্না নুংশিবীরক্কনি হায়বগী থাজবা থমদুনা হিংজরিবা কৈবুল লমজাও অমদি অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বশিং লৈঙাক অসিনা অমুক্তং থুংহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়না আপীল তৌজরি।

মীয়াম তীনবা প্রোগ্রামশিংদা ২০১৭কী নবেম্বর ২১দগী হৌরগা চৎলিবা চহী অসিগী হৌখিবা জুন ২০ ফাওবদা কৈবুল লমজাও ইথনিক হেরিটেজ পার্ক অথুবা মতমদা শারগনি হায়না সী এমনা থেঙ্খাং কয়ারক্তা লাউথোকপীখি। মরম অদুনা হায়খিবা অমদি ঙাংখিবা ৱা ঙাকপা সী এমনা অথুবদা কৈবুল লমজাওদা ইথনিক হেরিটেজ পার্ক শাবীরকপা খৌরাংনা ঙাইজরি হায়রি।

# ফ্রী হেল্থ কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): শিজ হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স ইন্সটিট্যুট (এস ঐচ আর আই) না শীন্দুনা দিপার্টমেন্ট ওফ কম্যুনিটি মেদিসিন, শিজ একাদেমী ওফ হেল্থ সাইন্সেস (এস এ ঐচ এস)কী মখাদা ফেমিলি এদোপসন প্রোগ্রাম লোঞ্চ তৌবগা ঈরোয়ননা নোংমগী ওইবা ফ্রী হেল্থ কেম্প অমসু পাঙথোকখ্রে হায়না এস ঐচ আর আইগী দেপ্যুটি মেনেজর তখেল্লম্বম প্রেমকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লাঙ্গোল কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এন জি কোলেজগী এসোসিয়েট প্রোফেসর ডা. শামুরাইলাকপম শান্তিবালানা চীফ গেষ্ট, এস এ ঐচ এসকী দিপার্টমেন্ট ওফ কম্যুনিটি মেদিসিনগী ঐচ ও দি ডা. তোইজম গম্ভির, কে এস ঐচ ধনঞ্জয় অমদি এন মুনিন্দ্রোনা গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং এল ৱাই দি সীগী এদভাইজর মোইরাংথেম বসন্তনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা থৌরম অদুগী কিনোট এদ্রেসনা এস এ ঐচ এসকী দিপার্টমেন্ট ওফ কম্যুনিটি মেদিসিনগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. সোরাম গৌতমনা পীখি। ডা. টি গম্ভিরনা থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোলশিং পীরদুনা ফেমিলি এদোপসনগী মরুওইবা অমদি কান্নবা কয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি হায়রি।

# 'প্রধান অমদি মেম্বর মান্নরগা য়াম্লবা শেনফম চাথোকখ্রে হায়বা য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফমনি'

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): আই ভি আর, পি এম জি আর- ৱাই, এম জি এন আর ঈ জি এস অমদি এন আর ঈ জি পিদা থাদরকপা কুমজা ২০১৮দগী ২০২১ ফাওবগী শেনফম প্রধান অমদি মেম্বরশিং মান্নরগা চাথোকখ্রে হায়রিবা ৱাফম অসি য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না হিলঘাট জি পিগী প্রধান এল সমরেন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি জিরিবামগী সী দি ব্লোক ওফিসতা জিরিবামগী জি পি অহুমগী প্রধানশিং অমদি ৱার্দ মেম্বরশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি। পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, এম জি এন আর ঈ জি এস অমদি এন আর ঈ জি পিগী মখাদা লাকপা থবক অসি লোকেল এম এল এ অমদি জিলা পরিষদ, অধক্ষা অনীনা চাদা ৫০ থবক শুবনি। চাদা ৫০না প্রধানশিংনা থবক শুবনি। মসিসু মশা-মশানা দাইরেক্ট বেনিফিসরি একাউন্টতা চঙহনবনি হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা হিলঘাট জি পিগী প্রধান এল সমরেন্দ্র, দিবোং জি পিগী প্রধান আর কে নোবিনসনা, সোনাপুর জি পিগী প্রধান নোমিনি এম দি ফজ অহমদকা লোয়ননা ৱার্দ মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি। থৌরমদুগী মখা তারকপদা হিলঘাট জি পিগী প্রধান এল সমরেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, সহিদ অহমদনা প্রধান অমদি ৱার্দ মেম্বরশিংবু মীয়ামদা লান্না উহনবা অসি তৌবীগনু। ঙসিদগী থারগা নুমীৎ হুম্নীগী মনুংদা অচুম্বা ৱারোল সোনপুর জি পি জিরিবামগী আর দি ওগী প্রসিদেন্ট সহিদ অহমদনা শেংদোরক্কদবনি। করিগুম্বা শেংদোকপীরক্তবা তারবদি মহাক্কী মথক্তা প্রধান অমদি ৱার্দ মেম্বরশিংগা পুল্লগা দিফামেসন কেস অমা তৌরগনি হায়নসু পাউগী মীফম অদুদা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ফাউন্দেসন দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): খুরাই পুথিবা লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা ঙসি অৱা-অনা তারবশিংবু মতেং পাংনদুনা অমত্তা ওইনা হিংমিন্নবগী পান্দমদা শেমখিবা ঈ-পাউ তেংবাঙ লূপ মণিপুরগী মঙারকশুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা খুরাই নান্দেবম লৈকায় গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান য়ুম্নাম চিত্রা, ৱাইতোন জি পিগী প্রধান পুখ্রম্বম সুরবালা, সক্সেস স্কুলগী প্রিন্সিপাল ডা. টি ঐচ দেব অমদি খুরাই নান্দেবম লৈকায় জিলা পরিষদকী জিলা পরিষদ মেম্বর অথোকপম ওকেন্দ্র অমদি ঈ-পাউ তেংবাঙ লুপ মণিপুরগী থৌমীশিংসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না ঈ-পাউ তেংবাঙ লূপকী থৌমীশিংনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ক্লাস টুয়েল্বকী এগজামদা থাঙ-তা, মণিপুরী অমদি ম্যুজিক্কী সবজেক্টশিংদা সবজেক্ট টোপ্পর ওইরকখ্রবা মহৈরোয়শিংদা অচম্বা খুদোল পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা জিলা পরিষদ মেম্বর অথোকপম ওকেন্দ্রনা হায়, মীওইবা অমা ওইনা অতোপ্পা মতেং পাংবগী হৈনবী অসি লৈগদবনি। ঐখোয় মশেল মতেং পাংনবগী ৱাখল্লোন লৈরবতদা চাউখৎপা লমদম অমা ওইগনি হায়খি। থৌরমগী মনুং চন্না কলচরেল প্রোগ্রাম কয়াসু উৎখি।

# অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর নট সঙ্কীর্ত্তনগী লমদা লৈবাক মীয়াম্না শকখঙলবা গুরু কুল্লা কলচরেল একাদেমী খুরাই কোংপাল সাজোর লৈকায়গী ফাউন্দর গুরু তাওরেম য়াইস্কুলনা মশাগী য়ুমদা হৌখিবা জুলাই ৭তা লৈখিদবা অসিদা একাদেমী অসিগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর, মেম্বর অমদি আর্টিষ্টশিংনা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা একাদেমী অসিগী রিহার্সেল হোলদা পাঙথোকখ্রে। লৈখিদ্রবা গুরু অসিগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈবা ওইসনু হায়না গুরু কুল্লা কলচরেল একাদেমীগী সেক্রেটরি টি বিশ্বর্জিৎনা থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

# ফেষ্টিভেল পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): সঙ্গীত নাটক একাদেমী ন্যু দেল্লীগী মীৎয়েং মখাদা রেপর্টরি ওফ ৱারী লীবা, মণিপুর হেদ ওফিস খুরাই চাইথবী লৈরক ইম্ফালনা শ্রী শ্রী রাধা মাধোপ সট- সঙ্ঘ লূপ ৱাহেংবম লৈকায় ইম্ফালগা খুৎশম্নদুনা ৱারী লীবা ফাংনবা ফেষ্টিভেল লাক্লিবা জুলাই ১৩দগী ১৭ ফাওবা নুমীৎ মঙানি চুপ্পা ৱাহেংবম লৈকায়দা লৈরিবা শ্রী শ্রী রাধা মাধোপকী মান্দপতা পাঙথোক্লগনি হায়না রেপর্টরি ওফ ৱারী লীবা মণিপুরগী দিরেক্টর তখেল্লম্বম শ্যামকহ্নাইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ৱারী লীবগী মাঙথরক্লিবা থৌওং অসিদগী কলহৌনবগী পান্দমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱারী লীবগী ফেষ্টিভেল অসিদা মহাভারতকী আদি পর্বদা গুরু দেব দ্রোননা হষ্টিনাদা থুংলবদগী হৌরদুনা পরিং নাইনা লীদুনা চখ্খগনি। ফেষ্টিভেল অসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট মঙাদগী খনগৎলবা শক্লাইরবা ৱারী লীবা আর্টিষ্ট ১০না শরুক য়াগনি। আর্টিষ্টশিং অদুদি এল সুরঞ্জয়, ঐচ তোমচৌ, কে সঞ্জিৎ, ঈ লক্ষ্মন, কে ইনাও, টি ভিম, এস কুঞ্জবিহারী, এ ইবোতোম্বী, টি শ্যামকহ্নাই অমদি এল মনিনচিংবনি। নুমীৎ মঙানি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱারী লীবা ফাংনবগী ফেষ্টিভেল অসিদা মীয়াম্নসু শরুক য়াবীয়ু হায়না চেরোল অদুনা আপীল তৌরক্লি।

# ভোট লেপখিবশিং কদায়দা লোৎখ্রবগে : রাধেশ্যাম

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): হৌজিক হৌজিক হৈরোক এ সীদা লৌমীশিংনা হার ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরি। মীয়াম্না ৱানরিঙৈ মতম অসিদা হৈরোক এ সীদা ভোট লেপখিবা লুচিংবশিং কদায়দা চৎখ্রবগে। কদায়দা লোৎখ্রবগে। ভোটতা মায় পাকহৌদ্রবসু লৌমীশিংদা হার ফংহন্দুনা মীয়ামগী মতেং পাংবদি য়াদবরা হায়না হৈরোক এ সীগী এম এল এ ডা. থোকচোম রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি হৈরোক এ সীগী লৌমীশিংদা হৌজিক হৌজিক এম এল এগী এগ্রিকলচরগী নোমিনিগী মখাদা য়ুরিয়া হার য়েন্থোকপগী থবক কন্না চখ্খরিবা অদুবু হকথেংননা এম এল এনা য়েংশিনবগী খোঙচৎ অমদা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না মখা তারদুনা হায়, হৈরোক এ সী অসি লৌমীশিংনা নম্মা খুন্দবা মফম অমনি। এ সী অসিদা হার মথৌ তারিবা অসি চাউরাক্লা বেগ ১২,০০০ রোমনি। এম এল এ অমা ওইনা লৌমীশিংগী য়াইফনবা ঙসি ফাওবা হোৎনদুনা লাক্লি। পুন্না হার বেগ লিশিং ১২ মথৌ তাবদা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ঙসি ফাওবদা হার বেগ লিশিং ৫ খক ফংবদা ঙাইহরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

COMET SCHOOL
A Co-Educational Higher Secondary School

ADMISSION OPENS FOR CLASS XI (Sc.) 2022-23

School office will remain open on Sunday, 10th July, 2022 for form issue, form submission and admission.

Prospectus and Form Issue : From 8:30 a.m. to 12:00 noon.
Last date of form and OMR submission : 10th July, 2022. From 8:30 a.m to 3:00 p.m.
Entrance Test Date and Time : 11th July, 2022. From 9:30a.m. to 10:30 a.m.

Examination Centre shall be given in the school website (www.cometschool.in) on 10th July, 2022 (Evening) and daily newspapers on 11th July, 2022.

Entrance Test : MCQ Test for 100 marks based on Class-X Syllabus (Eng, Phy, Chm, Bio, Mth). The duration of the examination is 1 (one) hour.
Eligibility Criteria : Students who have passed in Class-X board Examination, 2022 or students whose result is not yet declared are eligible.

SPECIAL INTEGRATED COURSES (SIC)
FOR COMET SCHOOL STUDENTS' (LIMITED SEATS)

Features :
- Special Integrated Courses (SIC) for NEET.
- To be taught by the Board of Directors
- Hostel facility is available exclusively for NEET opted girl students' (Limited seats).
- Separate bus service for hostellers (NEET opted girl students').
- Regular test series.
- Study materials will be provided.

DIRECT ADMISSIONS
(SEATS ARE LIMITED, BASED ON FIRST COME FIRST SERVE)
Student must come in previous school uniform along with Class-X marksheet and original admit card.

CATEGORY 1 : 1st to 25th Rank Holder in HSLC, 2022 (Limited Seats)
Benefits: Free Admission and tuition fee for Class XI & XII, One-time free School Uniform excluding blazer and track suit, free bus service. Scholarship package for 2 years.
CATEGORY 2 : 75% and above but not in the 1 to 25 Rank Holders in HSLC, 2022 (Limited Seats)
Benefits: Direct Admission without Entrance Test on payment.
CATEGORY 3 : 1st to 3rd Position in Entrance Test, 2022:
Benefits: Free Admission fee (Class-XI admission amount only).
CATEGORY 4 : Students who scored below 75% and students who did not get direct admission must appear the entrance test.

For more details, please check the prospectus and school website (www.cometschool.in).

HL-B/7723/9,10

Sd/- Principal, COMET SCHOOL